# সেন্টরনা মাদর তেরেসাগী চেরেটি হোমশিং য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):
মাদর তেরেসাগী চেরেটি হোমশিংদা য়েংশিন্নবা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রে। লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা লৈরিবা মিসনরি ওফ চেরেটিনা শিন-লাংবা হোম খুদিংমক য়েংশিন্নবা খঙহনখিবগা লোয়ননা হোমশিং অদুদা থোকখিবা ৱাথোকশিং থিগৎনবা খঙহনখ্রে।

হোমশিং অদুনা কাঙলোন চুমদবা থবক তৌব্রা হায়বদুসু য়েংশিনগদবনি হায়রি। ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টরনা ষ্টেটশিংদা লৈবা মেটর্নিটি হোস্পিটাল অমসুং মদুগা মান্নবা খুদোংচাবা লৈবা হোস্পিটালশিংদা লো কায়না অঙাং য়োন্থোক-য়োনশিন তৌবগী থবক থৌরমশিংসু কুপ্না য়েংশিনগদবনি হায়খ্রে। লোয়ননা চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা ফাওবদা ষ্টেটস রিপোর্ট অমা পীখৎলক্কবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর মেনকা গান্ধীনা মিসনরি ওফ চেরেটিনা হাংবা চাইল্ড ক্যের হোমশিং য়েংশিনগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা নোংমগী মতুংদা মিনিষ্ট্রি অদুনা ৱাফম অদু লাউথোরকখিবনি। মিনিষ্ট্রিনা হায়, চাইল্ড ক্যের ইনষ্টিট্যুট অমসুং হোমশিংদা লৈরিবা অঙাংশিং রেজিষ্টার তৌগদবনি। লৈঙাক্লা হাংবা নৎত্রগা এন জি ওশিংনা ওর্গনাইজ তৌবা হোম খুদিংমক্তসু হায়রিবা ৱাফম অদু চৎনগনি হায়রি।

লোয়ননা এদোপসন এজেন্সীশিংগসু থা ১ গী মনুংদা ওনলাইন পোর্টেলগী খুত্থাংদা শন্নহনগদবনি হায়রি। চাইল্ড এদোপসন রিছোর্সেস ইনফোর্মেসন এন্দ গাইদেন্স সিষ্টেমনা এদোপসন সার্ভিসকীদমক এপ অমা হাংদুনা লৈরিবনি। মদু সেন্ট্রেল এদোপসন রিছোর্সেস ওথোরিটিগসু পাউ ফাওনরি। লৈবাক অসিগী ওইনা এদোপসনগী খ্বাইদগী ৱাংবা বোদি অমা ওইরিবা সেন্ট্রেল এদোপসন রিছোর্সেস ওথোরিটি (সী এ আর এ) দসু মতম মতমগী মতুংইন্না শন্নগদবনি হায়রি। মীদিয়াগী খুত্থাংদা অঙাং য়োন্থোক য়োনশিন তৌরে হায়বা পাউ য়েংলগা মিনিষ্ট্রিনা অনৌবা খোঙথাং অদু পায়খৎ-লকখিবনি হায়রি।

# য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম ফোঙদোকপগীদমক বি জে পিনা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা প্রিভিলেজ মোসন থাঙ্গৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):
নো কনফিদেন্স মোসনগী দিবেট চথরকপা মতমদা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা উৎখিবা থৌওংশিং অমদি য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফম ফোঙদোকই হায়বা মরাল শিরদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীগী মথক্তা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না ইরাই নুমীৎতা প্রিভিলেজ মোসন থাঙ্গৎখ্রে।

নো কনফিদেন্স মোসন অদু টেলুগু দেসম পার্টিনা পুখৎলকখিবনি। হিরম অদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনরকপদা রাফেল দিলগী মতাং য়ৌরকপদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লৈঙাক্কী মথক্তা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শিখি হায়রি।

এম পি প্রহ্লাদ জোসিনা পার্টি অদুগীদমক মোসন অদু পুখৎকনি হায়রি। লুচিংবা অদুনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অমসুং বি জে পি লৈঙাক্তা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া শিরে। থৌওং অদু হাউসকী মেম্বরশিংদা লান্না লমজিংবনি। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে হায়খি।



রাহুল গান্ধীনা হায়, য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্স (য়ু পি এ) গী মতমদা রাফেল ফাইটর জেট লৈননবা দিল তৌনখি। লুপা ক্রোর ৫২০ গী দিল ওইখিবনি। অদুম ওইনমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতমদা ফ্রান্সকা তৌনখিবা রাফেল দিল অদু লুপা ক্রোর ১,৬০০ দা মেজিক্কুন্না হেনগৎলকখি হায়না মরাল শিখিবনি। জোসিনা হায়, রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোক্লিৱা ৱাফম অদু প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং নির্মলা সিতারমনদা প্রেসর পীবনি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা মীনম্বনি। মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টরবু নমথাক তৌবনি হায়না উৎননবা হোৎনরি। দোক্লাম ৱাথোক্কী মতাংদা চাইনাগা দিল তৌনখিবা অদুদসু লান্নীবু প্রাইম মিনিষ্টরনা নমথাক তৌখি হায়না মরাল শিখি।

লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ওইবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি। নাকল অমরোমদা, কোংগ্রেস পার্টিনা কুমজা ২০১৯ দা লাক্কদৌরিবা মীখলদা ওপোজিসন পার্টিশিং চুংশিন্নবা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

ওপোজিসনগী ফ্লোর টেষ্ট অদুনা পার্লিয়ামেন্টতা মখোয়গী ওইবা চুংশিন্নবগী ওইথোকপা লৈ হায়বদু উৎপনি হায়রি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা শিরিবা মরাল অদু অঙাং মানবা মওং অমনি। কোংগ্রেস পার্টিনা নো কনফিদেন্স মোসন অদুদা শৌগৎলি। মদু রাহুল গান্ধীনা মহাক মশাবু ওপোজিসন পার্টিগী চুংশিন্নবা খুৎপু অদুগী লুচিংবা ওইননবা শিনবা থৌশিল অমনি হায়রি।

ইরাই নুমীৎতা পাঙথোকখিবা ফ্লোর টেষ্ট অদু লৈঙাক অসিগী নত্তে। কোংগ্রেস পার্টি অমসুং মখোয়গী কাঙবুশিংগী ওইবা ফ্লোর টেষ্টনি হায়না লৌগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, থাজবগী ভোট লৌনবা অদু বি জে পিনা অদুম্মক মায় পাক্লে। বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা চুংশিন্নবা টু-থর্দ মেজোরিটি ফংগনি। লাক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা ওপোজিসন পার্টিশিংগী ওইবা ফ্রন্ট অমা শেম্নেনবা হোৎনবা অদুগী মরুমদা কোংগ্রেসনা ফ্লোর টেষ্ট অদুদা শৌগৎপনি হায়খি। কোংগ্রেসনা ময়াবতিগী বহুজন সমাজ পার্টিগসু চুংশিন্ননবা ৱারী শানরিবনি। উত্তর প্রদেশতা অখিলেস যাদব অমসুং বি এস পিদি মায়থিবা পীখ্রবনি হায়খি।

# ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী কায়খিবা প্লেন চহী ৫০ গী মতুংদা হিমাচল প্রদেশকী ধাকা গ্লেসিয়রদা ফংলে



সিল্লা, জুলাই ২১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ) কী কুমজা ১৯৬৮ তা কায়খিবা প্লেনগী অতেক অকায় অমসুং পাইলোট অমদি ক্রু মেম্বরশিংগী অশিবা অমসুং ফমজিল্লবা হকচাংশিং হিমাচল প্রদেশকী ধাকা গ্লেসিয়র বেজ কেম্পতগী ফংবা ঙমখ্রে।

চীংকারোয় টিম অমনা চৎলিবা থা অসিগী ১ দা কায়খ্রবা প্লেনগী অতেক অকায় অমসুং হকচাং অমা ফংবা ঙমখি। কুমজা ১৯৬৮ তা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী এ এন-১২ এয়র-ক্রাফ্ট অদু চান্দিগরদগী লে তন্না মীওই ১০২ পুদুনা পাইখিবনি। ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম ফত্তবনা পাইলোট অদুনা লে য়ৌরমদনা হল্লক্কবা হোৎনবদা খঙহৌদনা পাউ ফাওনবা ঙমখিদবনি হায়রি।

কুমজা ১৯৬৮ কী ফেব্রুৱারি ৭ তা পাইখিবা এয়রক্রাফ্ট অদুদা তোংখিবা মীওই অমগী হকচাং ফংবা ঙমখিবা অদুনা মখা তানা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং ফংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মতম অদুদা ঈশিং-নুংশিৎকী শাথিবা ফীভম অমা মায়োক্লবদগী প্লেন অদু লে য়ৌরমদনা অমুক চান্দিগরদা হন্ননবা হোৎনরকখি। লাইবক থীবদগী প্লেন অদু মাংখি। লোয়ননা মতম শাংনা থিবা ফংদনা লৈরকখিবনি হায়রি।

কুমজা ২০০৩ দা প্লেন অদুগী অতেক অকায় মচেৎ খরা গ্লেসিয়র এক্সপিদিসন টিম অমনা থেংনখিবদি লৈখ্রে। হিমাচলগী ধাকা গ্লেসিয়রগী চন্দ্রবগা-১৩ পিক্কী শরুক্তা চীং কাবা মীওই খুৎপু অমনা ক্লিনিনেস দ্রাইব চথবদা চৎলিবা থা অসিগী ১ দা অশিবা হকচাং থেংনরকখিবনি। মদুতা নত্তনা টিম অদুনা প্লেন অদুগী অতেক অকায় শরুক খরসু থেংনখি হায়রি।

ইন্দিয়ন মাউন্টেনরিং ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ক্লিনিনেস দ্রাইব অদুনা অশিবা হকচাং অমা থেংনবা ঙমখিবা অদু অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়রি।

ইন্দিয়ানা নীং-খা তম্বা কুইদ্রিডৈ কুমজা ১৯৬৮ তা কায়খ্রবা প্লেন অদুগী অতেক অকায় অমসুং হকচাংশিং অদু চহী ৫০ গী মতুংদা চীং কাবা মীওইশিংনা নৌনা থেংনরকখিবনি হায়রি।

# কুলগামদগী পুলিস কন্সটেবল ১ ফাখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ২১ (এজেন্সী):
কাশ্মিরগী খা থংবা কুলগাম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা পুলিস কন্সটেবল অমা মশাগী য়ুমদগী টেররিষ্টশিংনা ফাখ্রে। কন্সটেবল অদু জম্মুগী কাটুৱাদা ট্রেনিং তৌরিবা মীওইনি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মীওই অদু ছুটি লৌদুনা ময়ুমদা চৎখিবদা ঙরাং নুমীদাং টেররিষ্টশিংনা ফাখিবনি হায়রি। পুলিস পার্সনেল অমা ফাখিবা অদুগা মরী লৈননা সিক্যুরিটি ফোর্সনা অকনবা মওংদা থি-হুম্বগী থবক চথুখি। থা ১ রোমগী মমাঙদা টেররিষ্টশিংনা খা থংবা কাশ্মিরদা লান্মী অমা ফারগা পুখ্রবা মতুং হাৎতোক্লম্বগী হেক মথংদা ঙরাংগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

রাইফলমেন ঔরঙ্গজিৎ (৪৪) কৌবা রাষ্ট্রিয়া রাইফলগী পার্সনেল অদু ইদ কুম্মৈ য়াওননবা ময়ুমদা হনখিবগী লম্বীদা টেররিষ্টশিংনা ফাখ্রবা মতুং হাৎতোক্লমখিবনি হায়রি। ঔরঙ্গজিৎনা লন্নাইগাড়ী অমদা সোপিয়ান তন্না চৎপদা টেররিষ্টশিংনা মহাকপু কলমপোরাদগী ফাখিবনি। অদুগা নোংমৈনা পাল্লবা মহাক্কী হকচাং অদুনা পুলৱামাগী কলামপোরাদা হুন্দোক্লমখিবনি হায়রি।

# ক্রিকেট বোদি কেসকা মরী লৈননা ওগষ্ট ২৯ দা ফরুক অব্দুলা কোর্ট কারক্লবা খঙহনখ্রে

শ্রীনগর, জুলাই ২১ (এজেন্সী):
নেসনল কনফরেন্স (এন সী) গী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অব্দুলা ওগষ্ট ২৯ দা কোর্ট কারক্লবা শ্রীনগরদা লৈবা লোকেল কোর্ট অমনা য়াথং পীখ্রে।

জম্মু এন্দ কাশ্মির ক্রিকেট এসোসিএসন (জে কে সী এ) গী লুপা ক্রোর কয়াগী স্কামগা মরী লৈনবা কেস অদুদা ফরুক অব্দুলানা বেল পীবীনবা হায়জরকখিবা মতুং কোর্টনা য়াথং অদু পীখিবনি। ফরুক অব্দুলাগী উকিলনা কোর্টতা হায়জখিবদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অদু মশা লাক্ত্রবসু য়াননবা হায়জখি। শ্রীনগর চীফ জুদিসল মজিষ্ট্রেটনা ইরাই নুমীৎতা অব্দুলাগী উকিলগী ৱাফম তারবা মতুং মরক্কী ওইবা ৱায়েল অদু পীখিবনি।

ফরুক অব্দুলানা বেল পীবীনবা হায়জখ্রবা মতুং মখা তানা কোর্ট অদুদা চথুগদবা হিয়ারিংশিংদা মশা লাক্ত্রবসু য়াননবা ৱাফম অদু পুখৎলকপদা কোর্ট অদুনা মখা তাবা ৱাফম অদুদি খন্নখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তাবা হিয়ারিং ওগষ্ট ২৯ দা চথুগদবা লৈবনা লুচিংবা অদু মশা লাক্ল বা খঙহনখি। সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা মীওই মরিগী মথক্তা মরাল শিবা চার্জসিট থাঙ্গৎলকখিবনি। জম্মু এন্দ কাশ্মির ক্রিকেট এসোসিএসন দা থাদখিবা য়াল্লবা শেনফমশিং লান্না শীজিন্ন-থোকখি হায়বগী মতাংদা সী বি আইনা থিগৎলবা মতুং থাগৎলকখিবা চার্জসিট অদুদা ক্রিকেট এসোসিএসন অদুগী প্রসিদেন্ট অমসুং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ফরুক অব্দুলগী মিং য়াওরকখিবনি।

ক্রিমিনেল কনস্পিরেসি অমসুং অমসুং ক্রিমিনেল ব্রিচ চথুখি হায়না মরাল শিরিবা মীওইশিং অদুদি মহম্মদ সালিম খান, অহাসান অহম্মদ মির্জা অমসুং বাসির অহম্মদ মিসগরনি হায়রি। সালিম খান ক্রিকেট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরমখি। অদুগা অহম্মদনা মির্জা অমসুং বাসির অহম্মদ মিসগরনা মথংশিংনা ট্রেজরর অমসুং এগজিক্যুটিব মেম্বর ওইনা থৌ পুখিবনি হায়রি।

TO DAY ꯍꯧꯁꯤ ꯕꯝꯄꯔ ꯗ꯭ꯔꯣ TO DAY
Manipur People's Development Organisation
In aid of Annual Fund Drive
Chingamathak, Imphal 795001
Regd. No. 30/SR/87
Date : 22th July, 2018
Draw Time at 2:30 p.m. SHARP
Ticket Rate 2000/-
1st House Full Activa - 5G
2nd House Full Activa- 5G
3rd House Full Activa - 5G
4th House Full Activa - 5G
5th House Full Activa - 5G
6th House Full Activa - 5G
7th House Full Activa - 5G
8th House Full Activa - 5G
9th House Full Activa - 5G
10th House Full Activa-5G
MINI BUMPER
House Full - Rs. 50,000/-
Ticket Rate 170/-
Venue : Kakwa Community Hall



All Line : Activa-5G
DAY TIME
N.B: - Houkhiba Tang 17-07-2018 da tougani haina touramba Housie Bumper Draw adu tang 22-07-2018 gi pung 1.30 da oina toujaragani maramaduna hanana ticket paibikhiba amadi paid toubikhiba member singna pung 1 phaobagi manungda ticket sindokpiyu
HL-P/1869/22

# রাজস্থানদা ষন লল্লোনবনি চিংনবা মীওই ১ মীয়াম্না ফুবদা শিরে

অলৱার, জুলাই ২১ (এজেন্সী):
রাজস্থানগী অলৱারগী খুঙ্গং অমদা ষন লল্লোনবনি চিংনবদগী ফুবদা মীওই অমা শিরে। পুলিসকী পাউ মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অদু অকবর খান (২৮) নি। খুঙ্গং অদুগী রামগরদা মীওই অনীনা ষন পুদুনা চৎপা উবদগী খুঞ্জাশিংনা এটেক চথুখি। খুঞ্জাশিং অদুনা মীওই অনী অদু তমথিবা মওংদা ফু-চৈখি। মফম অদুমক্তদা মীওই অমা লৈখিদ্রে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীয়াম চঙদুনা মী হাৎপগী মরালদা মীওই অনী ফারে হায়রি। অকবর খান হরিয়ানাগী কোলগাওদা লৈবা মীওইনি। অদুগা অতোপ্পা মীওই অদুনা ঙরাং নুমীদাং অলৱারগী লালাৱান্দি খুঙ্গংদগী ষন অনী পুদুনা মহাক্কী খুঙ্গং তন্না চৎখি। মদুদা মীয়াম হুপচিল্লক্তুনা খানবু তমথিনা ফু-চৈবগী থবক চথুখিবনি হায়না রামগর পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর সুভাস শর্মানা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদু তশেংনমক ষন লল্লোনবা মীওই অমরা হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌননবগীদমক থাখ্রে।

মীয়াম হুপ্পুনা মী ফুব্বা অমদি হাৎপগী থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা মীওইশিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়না অলৱারগী সিনিয়র পলিস ওফিসর অনিল বেনিৱালনা ফোঙদোরক্লি।

রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর বাসুন্ধারা রাজেনা হায়, থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। থৌদোক অদু মীয়াম চঙদুনা মী হাৎপগী থৌওং অমনি। মীপুম খুদিংমক্না থৌদোক অদু কন্দেম তৌফম থোকই হায়রি।

# লোক সভাদা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম শিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাৱটনা শৌগৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২১ (এজেন্সী):
লৈঙাক্কী মথক্তা থাজদবগী মোসন থাঙ্গৎলকখিবা মতমদা চুংশিন্নবা কাঙবু ওইখিবা শিব সেনানা বি জে পিদা শৌগৎখিদ্রে। লোয়ননা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম শৌগৎখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা লৈঙাক্কী মথক্তা মরাল শিবা ৱাফম কয়া ফোঙদোর-কপদা শিব সেনাগী মেম্বরশিংনা খুবাক খুদুনা য়ানিংবা ফোঙদোকখি। শিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাৱটনা হায়, রাহুল গান্ধী পোলিটিক্সকী অশেংবা স্কুল অমদগী গ্রেজুয়েসন তৌরকখিবা মীওইনি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে। য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লাইয়েন্স (য়ু পি এ) গী মতমদা শিব সেনা কোংগ্রেসকী মায়োক্তা লৈখিবনি। মমাঙ চহীদা চহী ৪৮ শুরবা রাহুল গান্ধীবু কোংগ্রেসকী লুচিংবা হাপ্লে হায়না লাউথোরকখি। মতম অদুদা মহাক্কী মায়োক্তা লৈবশিংনা রাহুল গান্ধীবু বাপু হায়না করেম্নখিবনি। অদুগুম্বা ফীভম পুম্নমক নমহৎতুনা ঙসিদি মহাক লৈবাক অসিবু পুবা ঙম্বগী থৌনা অদু লৈরে হায়বা উবা ফংলে। বি জে পিনা রাহুল গান্ধীবু প্রাইম মিনিষ্টর মীরেপনি হায়না অকনবা মওংদা এটেক চথুরি।

কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লোক সভাদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু তংদু লৈতাদবা অমা ফাওহনখি হায়নসু সঞ্জয় রাৱটনা ফোঙদোরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি তশেংনা নীকখি। রাহুল গান্ধীগী ৱাফম অদু অচুম্বা কয়া য়াওরি। মীয়াম্না শোয়দনা হায়গনি পোলিটিক্সতা দ্রামা অমা লৈরে। শিব সেনানসু বি জে পিদা শৌগৎখিদবা অদুনা মখোয়গী মায়োক্তা লৈবনি হায়না লৌরমগনি। বি জে পিনা মখোয়গী মীওই কয়া অৱাংবা ফম কয়া লৈঙাক অদুদা পায়হল্লি। শিব সেনানসু থাজবগী মোসন অদুদা বি জে পিদা মতেং পাংলক্কনি হায়না খল্লমগনি।

বি জে পিগী লুচিংবা অমিট শাহনা শিব সেনাগী লুচিংবা উধপ থাকরেগা শগোলশেন নুমীৎতা উনখিবসু লৈখ্রবনি। শিব সেনাগী লুচিংবা উধপ থাকরেনা চাউথোক্লা ফিরেপ লৌরকখিবা অদুগীদমক মখোয়গী লুচিংবা অদুবু থাগৎপা ফোঙ-দোকখি। শিব সেনানা ৱারেপ অমা লৌরে। মদু থৌনা ফবা অমসুং গটস লৈবা ৱারেপনি। উধপ থাকরেনা অচুম্বদা য়ুম্ফম ওইবা ফিরেপ অমা উৎলি হায়রি।

# মমতা বেনর্জিগী মেগা রেল্লি পাঙথোকখ্রে মীখলদা বিজেপি সিট ১০০ গী মখাদা লৈহনগদবনি

কোলকটা, জুলাই ২১ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা বি জে পিবু সেন্টরদা পৱার পায়হন্দনবা অমসুং নরেন্দ্র মোদিদা লাক্লিবা মীখল ২০১৯ দা অচৌবা চৈফু অমা পীদুনা সিট ১০০ গী মখাদা লৈহন্নবা হোৎনরসি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ভিক্টোরিয়া হাউসকী মমাঙদা কুমজা ১৯৯৩ দা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিখিবা থৌদোক নীংশিংদুনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা রেল্লিদা লুচিংবী অদুনা হায়, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লোক সভা সিট ৪২ মক পার্টি অদুনা ফংননবা হোৎনগনি। বি জে পি মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থান্দা মায়থিবা নংখ্রবনি। মখা তানা ৱেষ্ট বেঙ্গলদসু মখোয় মায়থিরগনি।

বি জে পিনা চাউনা মায় পাকখ্রে হায়বা মতুং হৌজিক্তি লৈঙাক অদু নো কনফিদেন্স মোসন মায়োক্লরবনি। মখা তানা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলশিংদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর মশিং হেন্না ফংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। দিমোক্রেসিগী মতায়দা মখোয়না কৈদৌনুংদসু মায় পাকপা ঙল্লোই।

লুচিংবী অদুনা হায়, এ আই এ দি এম কেনা বি জে পিদা শৌগৎতুনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক মখোয়না শৌগৎলুরিবা অদু অরানবা অমনি হায়বা খঙলকখ্রে। অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পি ইন্থোকখিবগী তঙাইফদবা লৈ।

লুচিংবী অদুনা হায়, বি জে পিনা মীয়াম্বু হুমদুনা পুনবা হোৎনরি। মহাক্কী মিদনাপুরদা পাঙথোকখিবা মীওই ৯০ রোম অশোক অপন নংখ্রবনি। তৃণমুল কোংগ্রেসনদি কেম্পেয়ন অমা চথুবা হৌরগনি। কেম্পেয়ন অদু বি জে পি লৌথোক্তুনা লৈবাক অসিবু কনবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইগনি। ওগষ্ট ১৫ দা লৈবাক শিন-থুংনা অচৌবা রেল্লি অমা পাঙথোক্লবা শেম-শারি। অদুগুম্বা মীফম অদুদা লৈবাক অসিদা লৈবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াগনি। মখোয়না হৌজিক ৱেষ্ট বেঙ্গলনা শেম-শারিবা অদু উবা ঙমগনি। জান্যুৱারি থাদা পাঙথোকখিবা রেল্লিদা মীয়াম্না খঙখ্রবনি। মদুদি বি জে পি মীয়াম্না পামদ্রে হায়বনি হায়খি।

SERUS
ꯁꯦꯔꯨꯁ ꯁꯦꯔꯨꯁ
Regd. No. 46 of 2013-14
Tera Bazar Near SBI Bank
2ND PHASE LOTTERY CUM-TENDER [STOP PAYMENT]
লাক্লিবা August 25th, 2018 ইংদগী হৌজরগনি। অপুনবা মেম্বর ৩০০ অমদি শেনখায় ₹ 2000/- ওইগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক য়াওবীনিংবশিংনা SERUS কী ওফিসতা নৎত্রগা মখাদা পীরিবা নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি।
N.B. ➤ July থা মনুংদা ফোর্ম থাজিনবীরকপা মেম্বরশিংগীদমক ₹ 10,000/- গী Free Draw ওৎচগনি।
➤ Agent ওইবীনিংবশিংগী অখন্নবা খুদোংচাবা লৈজগনি।
Sd/- Manager, Marup Section, SERUS
Contact No. ☎ 7085134115
HL-P/5118/21

EMPLOYMENT
1. WANTED OFFICE STAFF AGENT
Regular job for the Staff agent in Manipur
Min Qua :- VIII Pass ,Age :- 18 to 38 years, No of Post-58 both male/fem
Monthly Salary :- Rs-13,000 to 25,600 + Travelling incentive.
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ / লৈবাক্কী পাউ



( AIR HOSTESS REGULAR JOB )
Min Qua :- XII, Age : 17 to 30 years.
Become a Cabin Staff within 60 Days only
Monthly Salary :-
Rs-25,000 to 67,000.
Immadiately Joining for Selected Candidate
*Job for Domestic & Internaltional Airport within India. Accommodation provided
NO DEPOSIT SL NO-4 MERCHANT NAVY JOB IN INDIA & ABROAD NO DEPOSIT
[ Freshers and experienced seafarer can apply. ]
i) Deck Officer , Engine Crew, Seaman, G.P. Rating & D.N.S Cadet
Salary: ₹30,000.00 to ₹80,000.00 /month Qualification :- X to Graduate.
For Detail Just Contact us at :-
OFFICE OF THE
Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazar, Airport Road-Imphal.
Helpline no :-8974975286
HL-B/4677/2/6-30/7(Alt.)

GOVERNMENT OF MANIPUR
**DEPARTMENT OF TEXTILES, COMMERCE & INDSUTRY**
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

N O T I C E

Imphal, the 20th July, 2018

No. HL-20/H&T/2017: The Ministry of Textiles, Govt. of India in association of M/s Karvy Data Management Services Ltd (KDMSL), Hyderabad and Department of Textiles, Commerce & Industry, Govt. of Manipur has been conducting 4th National Handloom Census and issuance of Photo Identity Cards from February, 2017. As a part of this census operation, Enumerators of KDMSL has been visiting the weavers' household with door to door enumeration collecting relevant data on availability of yarn to marketing of handloom cloths.

3.0: In course of validation of data enumerated in this census operation, many villages and weavers are found untouched/left-out during the census operation. In order to cover all handloom weavers in this census operation, KDMSL in association of District Handlooms & Textiles is conducting further enumeration in some of the untouched/missing villages and weavers' household.

All the handloom weavers, village heads/authority/village or urban body organizations/leikai/clubs/social organizations are appealed to kindly extend support and cooperation to the enumerators of M/s Karvy Data Management Services Ltd and Department official for enumeration of remaining untouched/missing weavers and village fully.

Sd/- **K. Lamlee Kamei**
Director of Handlooms & Textiles, Manipur

HL-P/1865/22